কুমজা ২০১৯দা এম পি একাদমি টিমদা য়াওদুনা শান্নবা ফংজরকপদগী ঐহাক ইন্দিয়া কেম্পতা কৌরকখিবনি

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

হোক্কিদা মীৎয়েং অমা

খরিবম বিচু দেবী
(ইন্টর্নেসনল হোক্কি প্লেয়র)

(ঙরাংগী মখা)

ঐগা লোয়ননা ভোপাল একাদমিদা লৈমিন্নবী মৈতৈ নুপী অনী হায়বদি সুমনগা, সরিতাগা ইন্দিয়া কেম্পতা চৎখ্রবা মতুংদা ইতোমতা ময়াং মচা ইমান্নবীশিংগা লৈহৌবদু ঐঙোন্দা খিত্তংদি নুংঙাইতবা ফাওখি। ঐহাকসু অমুক্তংদি কন্না হোৎনগে হায়বা ৱাখল অমা পোক্লকখি। ঐখোয় অহুম লৈমিন্নবদা ইতোমতা লৈহৌবা হায়বসি ইতোমতা ইকাইবা অমা ফাওবগুম তৌরকখি। অদুদগীদি ঐহাক মোনিংগী, ইভিনিংগী পেক্টিস তৌবসিদা খরা হেন্না থৱায় য়াওশিন্না হোৎনজরকখি। য়াহৌগসি হান্নদগী ঙন্না হৌগৎলগা অয়ুক ঙন্তাসিদা ইশাগী ওইবা লন্নাই শাজেলনচিংবসু তৌবা হৌজরকখি। ময়ামদগী করিগুম্বা খরা হেন্নবা হায়দুনা ঐনা ঙমজবা থাত্তা হোৎনবা য়াবদি হোৎনজরকখি। অদুগা ঐগী লাইবক ফবা অমনা এম পি একাদমিগী হেদ কোচ ওইরিবা সর পরমজিৎনা ঐবু য়াম্না লুনা তৌবী। ঐনা শান্নবা ষ্টাইলসি সরনা য়াম্না থাগৎপি। সর পরমজিৎ অসি পাটিয়ালা মচানি। মহাক্না পীবা কোচিংসিসু য়াম্না নুংঙাই। তাকপীবদা হেক্তা লায়না লৌশিনবা ঙম্মী। কোচ অমগী মগুন ফজনা চেল্লি। মহাক্না তৌহন্নিংবা, তাহন্নিংবা পুম্নমক ঐনা হেক হেক তৌবগী সর পরমজিৎনা ঐবু মতম চুপ্পদা ফজবা ৱাহৈনা সপোর্ট অদুম তৌবীরকখি। অতৈ কোচশিংদি ঐঙোন্দা অদুম হান্না ইনকরেজ তৌবীদে। ঐনা ফনা কন্না থৱায় য়াওনা শান্নরবসু নোংমতা পুক্নিং থৌগৎপীবা ৱাহৈ তাবা ফংদে। শান্নবা মতমসিদসু প্লে পীরকপা মতমদা মাগী মাগী নক্নবা মীদা হেক্তা শান্নহন্নবা হেক্তা হোৎনরকই। মদুগুম্বদু হেদ কোচ য়াওরবদি য়াদে। হেদ কোচনদি ঐবু মুন্না খঙবনিনা সর পরমজিৎ য়াওরবদি কম্পলসরি ঐহাক ওইনা অদুম শান্নহনবীরকখি। অতৈ কোচশিংদি মওং অমনি ঐবু কয়া খঙদে। হেদ কোচনদি বিচু বিচু হায়দুনা কৌবীরকই।

ভোপাল একাদমিগী হেদ কোচনা ঐগী প্লে খঙবীদুনা তোয়না শান্নহনবীবদগী মীয়াম্না ঐবু শকখঙবীরকখিবনি। মদু ঐগীদি থোইদোক্না লাইবক ফবনি। অদুগা কুমজা ২০১৭তা ভোপালদা জুনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপ অমা তাখি। মদুগী চেম্পিয়নশিপ অদুদা এম পি একাদমিসু শরুক য়াখি। মেদাম খরনদি ঐবু জুনিয়র নেসনল অদুদা শান্নহলোইদবগী মওং অদুম তৌরকখি। অতোপ্পা গোল কিপ্পর অমা শান্নহনগদবগী হোৎনরকখি। অদুবু এম পি একাদমিগী জুনিয়র নেসনলদা শরুক য়াগদবা টিমগী লিষ্ট থোরকপদা সর পরমজিৎনা ঐগী মীং হাপ্লকখি। অদুগা লোয়ননা ময়াম মমাংদা সরনা হন্দক্কী জুনিয়র নেসনলদা বিচুনা এম পি একাদমিগী গোল কিপ্পর নম্বর ৱান ওইনা শান্নগনি হায়না লাউথোকপীরকখি। মদুসু ঐঙোন্দদি সুকথা থাজখিদবা থৌদোক অমনি। চিরবা মতমদা ঐগীদি মশক নাইবা মী অমমমদি অদুম ঐগী সপোর্ট ওইনা হেক্তা থোকপীরকই। অদুমাইনা ঐহাক কুমজা ২০১৭সিদা এম পি একাদমি টিমদা য়াওদুনা জুনিয়র নেসনল শান্নবা ফংজরকখি। ঐহাকসু অদুগুম্বা মতাংদুদদি য়াম্না থৱায় য়াওনা প্লে খুদিংমক য়াম্না চেকশিন্না অমত্তা শোয়হন্দনা শান্নজখি। মদুগী রিজল্ট ওইনা ফাইনেলদা হরিয়ানাগা এম পি একাদমি টিমগা শান্নখি। খরা পুক্নিং চঙনা হোৎনজখিবা অদুগী কান্নবসু ইকান কান্নদনা লাকখি। কন্না হোৎনবগী মহৈদি কৈদৌনুংদা মাঙবসু লৈতে। ফাইনেলদা হরিয়ানানা ২-১দা থোইরগা ঐখোয়না রন্নর্সঅপ তারকখি। প্লেদুসু থোইদোক্না চোপ্পা হায়বদু ওইখিদে। হরিয়ানাগী অরিংবা টিমদুনা মশিং খঙদনা বোল থোমজিল্লক্লবসু সুপ্নতগী অনীখক্তং চনবা ঙমখি। মখোয়গী এগেন্সতসু এম পি টিম্না অমা থোমজিনখি।

জুনিয়র নেসনল অদু শান্নরুরবা মতুংদগীদি ঐহাক ইন্দিয়া কেম্প কৌরকখ্রে। ইন্দিয়াগী নেসনল কেম্প য়ৌরকপদগী মমিং লৈরবা হোক্কি কোচ কয়াদগী মথং মথং ট্রেনিং তৌবসু ফংলকখ্রে। থাক অমা হায়গৎলকপদগী ইশাবু মশক খঙবসু খরদি ঙম্লকখ্রে। হান্না খঙলমদবা, হৈরমদবা কয়া তাকপীরকপদগী ঐঙোন্দসু য়াম্না নুংঙাইজবা অমা খঙফাও ফাওরকখ্রে। অদুদগী ইমপ্রুফসু তৌরকখ্রে। হান্নদি ইশাগী পাঙ্গল থৌনা অরৈবা পুম্নমক ফুদোক্লগা শিবা-চঙবা খঙদনা শান্নবনি। প্লে হেক হৌবগা ঐনা খনবা ৱাখলসি ওপোনেন্টনা গোল চনশিলহনবা য়াদে হায়বসিনি।

মথং মথং...

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৯

১) করম্বা সহরদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্তা সরক্তা (Road) লমশাং থৌবা সাইকল লমজেন্দা রেলৱেজগী ক্রোশিং (Railway Crossing) তরুক হেন্না লাম্থোক্না থৌহনখিবগে?

২) কুমজা ১৯০৫দা করম্বা টিম অনী লৈবাক মীয়াম খঙনা মুক্না কাঙজৈ শান্নখিবগে।

৩) পোলো শান্নবদা মণিপুরিশিংনা শাগোল নাপু মচুবু করি হায়না খঙনবগে?

৪) মহাক্না ওলিম্পিক্কী অহুমশুবা সনাগী মেদল হেক ফংবগী মেদল য়েন্থোকপা লোয়বগা মহাক্কী মপা অমসুং মমাগী মনাক্তা চঙশিল্লগা অসুম্না হায়, 'মসি অফবা থবক অমনি, মসিদা মেদল অহুম লৈরে' পাজি, অমনা নঙগীনি, ইমা নঙগীসু অমনি, ঐগীদমক অহুমশুবা অমা লৈরে'। নুপা অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা **hueiyensportsquiz@gmail.com** দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিংঅদুদগীদ্রোওৎচরগালাইবকফবামীশকঅমাখনজগনি। লোয়ননাখল্লবামীশকঅদুদামনাপীজগনি।

নেসনল শুটিং চেম্পিয়নশিপ্তা মনু ভাকর অমসুং অনিস ভনৱালানা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে

ভোপাল, দিসেম্বর ২৪(এজেন্সী):

মধ্য প্রদেশকী কোনুং ভোপালদা চথুরিবা নেসনল শুটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা কম্মনৱেলথ চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা মনু ভাকর অমসুং অনিস ভনৱালানা সিনিয়র অমসুং জুনিয়রগী কাংলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ১৭তা ঙাইরিবী হরিয়ানা মচা মনু ভাকরনা সিনিয়র অমসুং জুনিয়রগী ইন্দিবিজ্যুল অমদি টিম ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ৪ লৌবা ঙমখি। ষ্টেট অদুমক্কী অতোপ্পা নুপাগী শুটর অনিস ভনৱালাসু সিনিয়র অমসুং জুনিয়র কেটগোরিগী কাংলুপকী ইন্দিভিজ্যুল অমদি টিম ইভেন্টতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

মনু ভাকরনা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোলদা সিনিয়র অমসুং জুনিয়রগী ইন্দিভিজ্যুল অমদি টিম ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ৪ লৌখি। নীংশিংবা য়াবদি মনু ভাকর ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা শুটর অমনি। ঙসি নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অদুদা মহাক্না ক্বলিফিকেসন রাউন্দদা পোইন্ট ৫৮৮ কাপ্তুনা সাউথ এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শুটর অনু রাজনা থল্লম্বা রেকোর্দ অদু থুগাইবা ঙমখি। মদুগী মতুং ফাইনেল রাউন্দদা পোইন্ট ২৪৩ কাপ্লগা গোল্ড মেদল ফংখি।

মশাগী চহী ১৭তা ঙাইরিবা শুটর অনিস ভনৱালানা নুপাগী মিটর ২৫গী রেপিদ ফাইয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অদুগী ক্বালিফাইয়িং রাউন্দদা পোইন্ট ৫৮২ কাপ্লগা ফাইনেল য়ৌরকখি। লোয়ননা ফাইনেল অদুদা ভনৱালান পোইন্ট ২৮ ফংলগা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেদল অদুনা রজস্থানগী শুটর ভাবেস সেখাৱতনা পোইন্ট ২৬ কাপ্লগা লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ অদুনা চানিদগরগী শুটর বিজয়বির সিধুনা ফংখি।

চহী ৪গী অথিংবা লৈরগসু রসিয়ানা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক গেমস নেসনল ফ্লেগকী মখাদা শরুক য়ানবা হোৎনরি



মোস্কো, দিসেম্বর ২৪(এজেন্সী):

রসিয়ন ওলিম্পিক কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট ষ্টানিস্লাব পোজনিয়াকোপনা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোক্লদুনা জপাননা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০২০ ওলিম্পিক গেমস অদুদা দ্রগ শীজিন্নরুবগী মতাংদা রসিয়াগী ওলিম্পিক কম্মিতিবু চহী ৪গী অথিংবা লৈরবসু লৈবাক অদুগী শান্নরোয়শিং রসিয়াগী ফ্লেগকী মখাদা শান্নহন্নবা শেম শারি হায়খ্রে।

ওলিম্পিক মুভমেন্টকী মপুং ফাব মেম্বর অমা ওইরিবা রসিয়ান ওলিম্পিক কম্মিতিনা লৈবাক অদুগী শান্নরোয়শিংবু টোকিও ওলিম্পিক গেম অদুদা রসিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল অদুগী মখাদা শান্নবা য়াওহন্নবা অকনবা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লি হায়খি।

নীংশিংবা য়াই, ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সিনা রসিয়াবু লৈবাক অদুদা লৈরিবা দোপিং টেষ্টিং লেভোরেটরিশিংগী দেটাশিং অদু শেমজিন শাজিন্দুনা লৈবাক অদুগী শান্নরোয়শিংনা দ্রগ শীজিন্নখিবশিংগী অদুগী রিপোর্ট চুন্নাপুথোক্তে হায়বগী মরালদা থা অসিগী ১০দা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি অদুনা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক গেমস অমসুং ২০২২ কটার ফিফা ৱর্ল্ডকপ্তসু য়াওবা য়াহন্দবগী অথিংবা থমখিবনি।

রসিয়ন ওলিম্পিক কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট পোজনিয়াকোপনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা হৌখিবা চয়োলদা রসিয়ন এন্টি দোপিং এজেন্সিনা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সিগী মায়কৈদগী চহী ৪গী অথিংবা থল্লম্ব অদু য়ানিংদে হায়না ফোঙদোকপা লৈখি। ৱারোল অদুবু শৌগৎলদুনা রসিয়ন ওলিম্পিক কম্মিতিনা স্বিজর্লেন্দগী সিটি লোজেনদা লৈবা কোর্ট ওফ অর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্টসনা অপিল তৌদুনা চহী ৪গী অথিংবা অদু থমদনবা কন্না হোৎনগনি হায়না প্রসিদেন্ট পোজনিয়াকোপনা ফোঙদোকখি।

ওলিম্পিক্স ক্বালিফায়রগীদমক ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা টেবল টেন্নিস শান্নরোয়শিং চেন্নাইদা শেম শাবা হৌখ্রে

LE TENNIS DEVELOPMENT CENT

চেন্নাই, দিসেম্বর ২৪(এজেন্সী):

জপাননা য়ুম্বু ওইদুনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী টেবল টেন্নিস দিসিপ্লিনদা শরুক য়াননবা জনুৱারি ২২দগী ২৬ ফাওবা পোর্টুগালগী সিটি গোন্দামরদা শান্নগদৌরিবা ৱর্ল্ড টিম ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্ট অদুদা মায় পাক্নবা ইন্দিয়াগী টেবল টেন্নিস টিম চেন্নাইদা লৈবা নেহরু ষ্টেদিয়মগী হোল ওফ টেবল টেন্নিসতা নোংমাইজিং নুমিৎতগী ট্রেনিং চথবা হৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপাগী টেবল টেন্নিস শান্নরোয়শিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ওইরিবা জি সাথিয়ান, কম্মনৱেলথ চেম্পিয়ন হরমিট দেসাই অমসুং সাউথ এসিয়ন ফেদরেসন গেমসকী চেম্পিয়ন এ অমল রাজসু ট্রেনিং অদুদা হৌবদগী শরুক য়াদ্রবসু য়ানবগীদমক শেম শাদুনা লৈরি।

নুমিৎ ৯নি চুপ্পা চথগদবা ট্রেনিং কেম্প অদুদা নোংমাইজিং নুমিৎতা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা সরত কমালনা মানব থাকরগা ট্রেনিং পার্টনর ওইনা শান্নবা হৌখি। অমরোমদা, ইন্দিয়াগী নুপীগী নম্বর ১ সিঙ্গলস পেয়র কম্মনৱেলথ চেম্পিয়ন মোনিকা বত্রনা মহাক্কী স্পেরিং পার্টনর ওইনা পুনেদগী জুনিয়র শান্নরোয় সনতকা ট্রেনিং চথুরি।

ট্রেনিং কেম্প অদু ইন্দিয়াগী সেনিয়র প্লেয়র সরত কমালনা মপুং ওইনা শীল লাংদুনা পাঙথোকপা হৌখিবনি। মহাক্না ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০১৮গী এসিয়ন গেমসকী মতুং ইন্দিয়াগী ওইনা টেবল টেন্নিস মশান্না অসিগী কোচ লৈতনা লাকখিবনি। টেবল টেন্নিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা কন্না হোৎনরবসু শান্নরোয়শিংনা কোচ ঙাইদুনা লৈবগী মথৌ তাদে।

ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্ট শরুক য়াগদবা থা অমরোমতা ঙাইরবা মতম অসিদা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা দবলসকী মায়কৈদা অহেনবা মীৎয়েং চঙশিল্লি। পোর্টুগালগী ইভেন্ট অদুদা সিঙ্গলসকী মেচ ৪ অমসুং দবলসকী মেচ ১ য়াওবা মরম্না দবলসকী মায়কৈদা অহেনবা মীৎয়েং চঙশিনবনি হায়খি।

ফ্রান্সকী লুকাস পোলি ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টতগী ৱিদ্রো তৌখ্রে

মেলবোর্ন, দিসেম্বর ২৪(এজেন্সী):

কুমজা ২০২০গী অহানবা চহীগী ওইবা মালেমগী ওইনা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট ৪গী মনুংদা অহানবা ওইরিবা জনুৱারি ২০দগী হৌগদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ৱর্ল্ড নম্বর ২২দা লৈরিবা ফ্রান্সকী শান্নরোয় লুকাস পোলি মশা শোকপদগী শরুক য়াবা ঙম্লরোই হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, লুকাস পোলি কুমজা ২০১৯গী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। মশাগী চহী ২৫দা ঙাইরিবা ফ্রান্সকী মমিং লৈরবা শান্নরোয় লুকাস পোলি চহীসিগী ওক্তোবর থাদা চাইনানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা সাংহাই মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট শরুক য়ারুরবা মতুং খুৎনিংদা শোকপদগী মখা তাবা টুর্নামেন্টশিং শরুক য়াবা ঙমদনা লাকখি।

পোলিনা সোসল মিদিয়াদা পীরকপা ৱারোল অমগী মতুংইন্না চাইনাগী সাংহাই মাষ্টর্স অদুদা য়ুএসকী জোন ইস্নরগা শান্নখিবা মেচ অদুদা শোকখিবনা মরম ওইরগা মখা তানা লায়েংবা মরম্না ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন শরুক য়াবা ঙম্লোইদৌরিবনি হায়খি।

ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াগী কোলি অমসুং ধোনিবু টেষ্ট অমসুং ও দি আইগী কেপ্টেন ওফ দি দিকেদ মিংথোল পীখ্রে

মেলবোর্ন, দিসেম্বর ২৪(এজেন্সী):

ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ানা ওফিসল ওইবা ৱেবসাটতা ফোঙদোরকখিবদা ইন্দিয়াগী হৌজিক কেপ্টেন ওইরিবা ভিরাট কোলি অমসুং হান্না কেপ্টেন ওইরম্বা মহেন্দ্র সিংহ ধোনিবু টেষ্ট অমসুং ৱান দে ইন্টর্নেসনলগী কেপ্টেন ওফ দি দিকেদকী মীংথোল পীখ্রে।

ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ানা হৌখিবা চহী ১০ (দিকেদ) অসিদা খ্বাইদগী ফজবা তোঙান-তোঙানবা ক্রিকেট শান্নরোয় লৈবাকশিংগী কেপ্টেনশিংগী ওইবা খনগৎলকপদা টেষ্ট টিমগী ওইনা ভিরাট কোলিবু খনখিবনি। অদুগা ৱান দে ইন্টর্নেসনলগী ওইনা মেহন্দ্র সিংহ ধোনিবু খনখি।

পনবা য়াবদি, মশাগী চহী ৩১ শুরবা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোলি হৌখিবা চহী ১০ অসিদা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ফজবা বেটচমেননি হায়না লৌনরি। মহাক্না ক্রিকেট মশান্না অসিদা ৱান দে, টেষ্ট অমসুং টি-২০ ফোর্মেটশিং পুনশিল্লগা ইন্টর্নেসনল সেঞ্চুরি ৭০ লৌবা ঙমখি। মহাক্কী মথক্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী রিকি পেন্টিং (সেঞ্চুরি ৭১) অমসুং সচিন টেন্দুলকর (সেঞ্চুরি ১০০)গী মখাদা অহুমশুবা সেঞ্চুরি খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা ঙম্বা ওইরিবনি।

এম এস ধোনিনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ওইদুনা কুমজা ২০১৭ অমসুং ২০১১দা ৱর্ল্ড টাইটল অনীরক লৌবা ঙমখি। মহাক্কী লুচিং মখাদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম অসিনা অতোপ্পা ক্রিকেট শান্নবা লৈবাকশিংদগী ফজবা হেন্দুনা লাকখি।

Government of Manipur
Office of the Director
Forensic Science Laboratory Manipur, Pangei
ꯏ-ꯇꯦꯟꯗꯔ/E-Tender Notice

No.31/10/88-FSL(Mod)/Nirv/ **Pangei, the 21st Dec. 2019.**

Director Forensic Science Laboratory, Manipur invites e-Tender from the reputed Indian/ Foreign Original Manufacturers or sole authorized dealers/ distributors/ Agents to supply equipments for DNA Analysis with accessories with approximate tender value of Rs. 3 crore only vide Notification No. even dated 16th December 2019. In view of wider participation and convenience of bidders critical dates have been revised. Some of them are as below:

Sl. No.	Particulars	Date & Time	
		Original	Revised
1	Clarification of doubts	17.12.2019 to 26.12.2019	17.12.2019 to 03.01.2020
2	Pre-bid conference	30.12.2019 at 1 pm	06.01. 2020 at 1 pm
3	Online bid submission	01.01. 2020 to 06.01.2020, 3 p.m.	10.01.2020 to 16.01.2020, 3 p.m.
4	Tender opening date	07.01. 2020 at 1 p.m.	17.01. 2020 at 1 p.m.
5	Offer validity of Tender	Up-to 04.07. 2020.	Up-to 14.07. 2020.

Detail information is available on the website https://manipurtenders.gov.in. Any time prior to the deadline for submission of bids, there may be corrigendum, modifications and clarifications in respect of this tender which will be available in the same website.

Sd/- Director
Forensic Science Laboratory Manipur, Pangei
HL-B/5911/25

GOVERNMENT OF MANIPUR
POLICE DEPARTMENT
--
DIRECTOR GENERAL OF POLICE
MANIPUR POLICE HEADQUARTES,
IMPHAL-795001
(Fax No. 0385-22449825 & 0385-2442048)

E-Tender Notice

No.PR-18/44/2018-19/PHQ(Pt-II) Imphal, the 18th December,2019

1. The Director General of Police, Manipur hereby invites e- Tender with 2 bid system i.e. Technical Bid consisting of all technical details and Price Bid indicating item-wise price of the items from all intending reputed and registered Manufacturers/Fabricators / Firms for supply of Security & Intelligence /Forensic Science Laboratory items in Manipur Police Department, Manipur. Specifications of each item are enclosed in the **Annexures –"A" & "B"**. ***Rates to be quoted are to be Free on Rail (F.O.R.) Imphal and inclusive of GST and transportation charges.***
2. The details of the tender will be available on the Website- www.manipurtenders.gov.in

NB. Approximate Tender value is **Rs. 118.20 lakh** only

Sd/- Director General of Police,
Manipur, Imphal.
HL-B/5913/25

Government of Manipur
Office of the Director, Manipur Zoological Garden
Iroisemba, Manipur
ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE FOR INVITATION OF BIDS (No. 1 of 2019)
Iroisemba, the 23rd December, 2019

No. 6/5/2019-20/DMZG/266: Forest Department, Government of Manipur invites sealed rate quotation subscribed as 'Rate Quotation for Supply of Zoo Animal Feed Items, 2019' in prescribed form on behalf of the Governor of Manipur from the intending registered Suppliers/ Firms having GST registration for supply of 43 items of Animal Feed in 4 (four) Groups to Manipur Zoological Garden, Iroisemba. Quotation Bid Form along with Terms and Conditions and list of Zoo Feed items may be obtained from the office of the Director/ Manipur Zoological Garden, Iroisemba during office hours on working days. The sealed Rate Quotation will be received upto 2:00 pm of 16.01.2020 by the office of the Chief Conservator of Forests/Wildlife, Government of Manipur, Sanjenthong, Imphal and the same will be opened on the same date in the same office at 3:00 pm by a Tender Opening Committee in presence of the bidders or their authorized representatives.

Sd/- Gaithaolu Thaimei
Director, Manipur Zoological Garden
Government of Manipur
HL-B/5912/25